# ইজিপ্টকী চর্চতা বোম পোকখায়বদা য়ামদ্রবদা মীওই ৪৩ শিখ্রে, মীওই ৩৮ রোম শোকখ্রে



কাইরো, এপ্রিল ০৯ : পাম সন্দেগা মরী লৈননা লাই খুরুম্বা লাকপা মীওই কয়ানা চোন্না তিনবা ইজিপ্টকী চর্চ অমদা বোম অমা পোকখায়বদা য়ামদ্রবদা মীওই ৪৩ শিখ্রে অমসুং অতৈ ৩৮ অশোক-অপন নংখ্রে।

এরিয়া অদুগী এম্বুলেন্স সার্ভিসকী মকোক মাগদি অৱাদনা ব্লাষ্ট অদুদা শিখিবশিংগী মশিং কনফার্ম তৌখি অমসুং ষ্টেট টিভিনা মীওই ৫০ শোক্লে হায়না ফোঙদোকখি।

এটেক অদু কেপিটেল সিটি কাইরোগী অৱাংলোমদা লৈবা নাইল দেল্টাগী টাউন টান্তাদা থোকখিবনি।

ইজিপ্টকী খৃষ্টিয়ন মাইনোরিটিদা পরিং নাইনা চত্থরকখিবা এটেকশিংদা মসিনা খ্বাইদগী নৌবনি। লৈবাকসিগী অপুনবা মীশিংগী চাদা ১০ রোমদি খৃষ্টিয়নশিংনি। মাইনোরিটি কাঙলুপ অসিদা ইস্লামিক এক্সট্রিমিষ্টশিংনা হঞ্জিন-হঞ্জিন টার্গেট তৌদুনা লাকখি।

চর্চ মনুংদা লৌখিবা ভিদিও ফুটেজ অমসুং ইমেজশিংনা ঈখেং তৈরবা থৱায় য়াওদ্রবা চেনা কৃপ্পা হকচাংশিং মীয়াম্না কোইশিনবগী শক্তমশিং উৎখি।

ঙসিগী এটেক অদু হৌজিক ফাওবগী ওইনা গ্রুপ অমত্তনা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৩ দা মিলিটরিনা মীখলদা পাত্তুনা পায়রকখিবা ইস্লামিষ্ট প্রসিদেন্ট মোহম্মদ মোর্সিবু মফমদুদগী চিংথুখিবদগী ইজিপ্টস্যান গভর্ণমেন্টনা ইস্লামিক লালহৌ থেংনদুনা লাকখি।

হৌখিবা চহীগী দিসেম্বরদা কাইরোগী চর্চ অমদা চত্থখিবা সুইসাইদ বোম্মিং অমা আই এস আই এসকী লোকেল এফিলিয়েট গ্রুপ অমনা ক্লেম তৌখি। থৌদোক অদুদা মীওই ৩০ রোম শিখি। ভিক্টিম অয়াম্বনা নুপী ওইখি। থৌদোক অসিদা নত্তনা ঈরাং কনবা সিনাই পেনিন্সুলাদসু হাৎপা-তূপ্পগী থৌদোক কয়া পরিং নাইনা থোকখি। থৌদোকশিং অদুদা লমদম অদুগী খৃষ্টিয়ন চা কয়া লৈবাক অদুগী খরা হেন্না শাফগদবা মফমশিংদা চেন্নখি।

টান্টাগী হোস্পিটাল অমগী মেদিকেল ওফিসল অমনা এ এফ পিদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৩ শিরে হায়না কনফার্ম তৌখি।

পাম সন্দে অসি খৃষ্টিয়ন কেলেণ্ডরগী খ্বাইদগী শেংবা নুমিৎশিংগী মনুংদা অমনি। নুমিৎ অসিনা যিশুনা জেরুসালেমদা মায় পাক্লা চঙখিবগী থৌদোক নিংশিংহল্লি।

ষ্টেটনা রন তৌবা নাইল টেলিভিজন চেন্নেলনা হায়খি, ব্লাষ্ট অদু ঙসি অয়ুক পুং ১৯:০০ তারমদাইদা টান্তাগী গির্গিস কোপটিপ চর্চতা থোকখিবনি।

প্রোভিন্সিয়ল গভর্ণর অহমদ দৈইদনা চেন্নেল অসিদা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না, য়ামদ্রবদা মীওই ৫৯ শোকখি অমসুং বোম পোকখায়বদু চর্চ মনুংদা থোকখি।

'বোম অমা মফমদুদা প্লান্ট তৌদুনা নৎত্রগা মশা পোকখায়হঞ্জখিবা ওইরম্বা য়াই' হায়না দৈইদনা ফোঙদোকখি। সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চর্চ অমসুং মদুগী অকোয়বশিংদা অহেনবা এক্সপ্লোসিভ দিভাইসশিং থিবগী থবক চত্থখি।

ইস্লামিষ্ট প্রসিদেন্ট মোহম্মদ মোর্সিবু মিলিটরিনা মফমদগী চিংথুবদা খৃষ্টিয়নশিংনা মতেং পাংখি হায়না টেররিষ্টশিং অমসুং ইস্লামিষ্টশিংনা মরাল শীরিবনি।

# মিলিটেন্ট লীদর ১ না মরাল কোমথোকপীনবা হায়জবদা বাংলাদেশকী প্রসিদেন্টনা য়াখিদ্রে

ধাকা, এপ্রিল ০৯ : মিলিটেন্ট লীদর মুফটি হান্নানদা পীবা শিবগী চৈরাকপু থবক ওইনা পাঙথোকপদা লিগলগী ওইবা অথিংবা অমত্তা লৈতে হায়না বাংলাদেশকী হোম মিনিষ্টর অসাদুজামান খান কমলনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। প্রসিদেন্ট অব্দুল হমিদতা থৌজানবীনবা অমসুং মরাল কোকথোকপীনবা হায়জবদা য়ারকখিদ্রবা মতুংদা হোম মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি হায়রি।

'কশিমপুর জেলগী ওথোরিটিশিংনা শেম শাবা হৌখ্রে, মুফটি হান্নান মতম অমদা হেক্তা হাৎলগনি' হায়না হোম মিনিষ্টরনা ধাকাদা লৈবা মহাক্কী সেক্রেটরিয়েট ওফিসতা মিদিয়াদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি।

ৱাহং অমগী পাউখুম ওইনা মহাক্না মিলিটেন্ট লীদর অদুবু মরালগী মতুং ইন্না হাৎপগী ৱাফমগা মরী লৈননা মিলিটেন্টশিংনা এটেক তৌরক্কনি হায়বগী কিনিঙাই অমত্তা লৈতে হায়খি।

হৌখিবা মার্চ ২১ দা সুপ্রিম কোর্টকী অপিলেট দিভিজননা হরকট-উল জিহাদ অল-ইস্লামিক বাংলাদেশ (হুজিব) কী লীদর মুফটি হান্নান অমসুং মহাক্কী তেংবাঙলোয় অনীগী শিবগী চৈরাকশিং কনফার্ম তৌবা ওর্দরগী মপুং ফাবা টেক্সট অদু রিলিজ তৌখি।

কুমজা ২০০৪ গী মে ২১ দা বাংলাদেশতা লৈবা বৃটিশ হায় কম্মিস্নর অন্দৱার চৌধুরিবু হাৎননবা হোৎনখিবগীদমক্তা মীওইশিং অসিদা শিবগী চৈরাক পীখিবনি। থৌদোক অদু চৌধুরিনা নুমিৎতুদা সিলহেটতা লৈবা হজরাট সাহজালালগী লাইফমদা চৎলিঁগৈদা থোকখিবনি।

এটেক অদুদা মীওই অহুম শিখি অমসুং অনৱারনা ফীভ লুনা শোকখি।

এটেক অদুদা মখোয়না লৌখিবা থৌদাংশিংগীদমক্তা কুমজা ২০০৮ গী দিসেম্বর ২৩ দা সিলহেটকী কোর্ট অমনা মীওই অহুম অসিদা শিবগী চৈরাক পীখি অমসুং অতৈ মীওই অনীদনা পুন্সি চূপ্পগী ওইনা ফাদোক পীখি। হায় কোর্টনা ২০১৬ কী ফেব্রুৱারীদা মখোয়দা পীরিবা চৈরাকশিং শৌগৎখি।

কুমজা ২০০১ গী রামনা বাটামুল বোম্মিংগীদমক্তসু হান্নানদা শিবগী চৈরাক পীখি। বোম্মিং অদুদা মীওই ১০ শিখিবনি।

হুজিব বি মিলিটেন্ট গ্রুপ অসি কুমজা ১৯৯২ দা শেমখি অমসুং গ্রুপ অসিনা বাংলাদেশতা সরিয়া লো চৎনহন্নবা হোৎনরকখিবদা য়ামদ্রবদা এটেক ১৪ পাঙথোকখিবগা লোয়ননা মীওই ১০০ হেন্না হাৎখ্রে।

# ট্রম্পনা মিলিটরি থাগৎখ্রে, মিসাইল ষ্ট্রাইক দিফেন্দ তৌখ্রে

পাম বিচ, ফ্লোরিদা, এপ্রিল ০৮ : সিরিয়াগী এয়রফিল্ড অমদা মিসাইল এটেক পাঙথোকখিবগীদমক্তা য়ু এস মিলিটরিবু প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা থাংজ নুমিৎতা থাগৎখ্রে অমসুং এটেক অদু অচুম্বা খোঙথাংনি হায়খ্রে।

মীশি-মীনা কয়া থোকহল্লিবা সিরিয়াগী লাল অদুদা এটেক অদুনা পূক্নিং থৌগৎনিঙাই ওইরবা অহোংবা পুরকপদা মতেং পাংগদ্রা হায়না হংবদা ট্রম্পনা মিসাইল ষ্ট্রাইককী খোঙথাং অদুবু দিফেন্দ তৌখিবনি।

নুমিৎ নীনিগী মমাঙদা অহিংদা টোমহোক ক্রুজ মিসাইল ৫৯ কাপশিনখিবদুদা ইষ্টর্ন সিরিয়াগী সায়রাট এয়রবেজদা লৈবা রনৱেশিংদা টার্গেট তৌখিদে হায়না কোংগ্রেস অমসুং মিলিটরি এনালিষ্টশিংগী মেম্বরশিংনা ক্রিটিসাইজ তৌখিবগী মায়োক্তা ট্রম্পনা পাউখুম পীখিবনি।

এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিসলশিংনা হায়খি মদুদি, এটেক অদুনা রিফ্যুলিং ষ্টেসনশিং, হাঙরশিং অমসুং প্লেন খরা মায় পাক্লা থুগায়খিবগা লোয়ননা বেজ অদু ওপরেট তৌবা য়াহনখিদ্রে।

# ওস্লোদা লম্বীদা লৈরম্বা এক্সপ্লোসিভ দিভাইস অমা পুলিসনা পোকখায়হনখ্রে

ওস্লো, এপ্রিল ০৯ : নোরৱেদা কেপিটেল ওস্লো সিটিগী ময়ায়দা লৈবা কম্মর্সিয়ল ষ্ট্রীট অমদা থল্লম্বা এক্সপ্লোসিভ দিভাইস অমা পুলিসনা পোকখায়হনখ্রে।

থাংজগী অহিংদা নোর্ৱিজন কেপিটেলদা সিক্যুরিটি এলার্ট লৈখিবগা লোয়ননা অচৌবা এরিয়া অমা মী চঙহন্দনা থমখি। ইনভেষ্টিগেটরশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না, এক্সপ্লোসিভ অদু গ্রোইনলেন্দ অন্দরগ্রাউন্দ ষ্টেসনদা থেংনখিবনি অমসুং আরমর্দ ওফিসরশিংনা অকোয়বা এরিয়াগী বারশিং অমসুং রেষ্টুরেন্টশিংদা লৈরম্বা মীশিং পুথোকখি।

দিভাইস অদুবু নিংথিনা কন্ট্রোল তৌদুনা পোকখায়হনখিবগী মতাংদা হংবদা পুলিস স্পোক্সমেন অমনা হায়খি, ব্লাষ্ট অদুদগী থোক্লকপা মখোল অদু এক্সপ্লোসিভশিংদুনা থাঙ্গৈশেংনা থোকহল্লম্বা য়াবা মখোনদগী হেন্না হৌখি। থৌদোক্তুগা মরী লৈননা মীওই অমা ফাজিন্দুনা থমখ্রে তৌইগুম্বসুং পুলিসনা সসপেক্ট অদুগী মরমদা মখা তাবা ইনফোর্মেসন পীখিদে।

# অনৌবা কন্সটিট্যুসন এমেন্দমেন্টকী প্রপোজল পার্টি খুদিংমক্না য়ানগনি : নেপাল পি এম

কাঠমন্দু, এপ্রিল ০৯ : খোঙজং চঙশিল্লিবা মাধেসি মোর্চা অমসুং মরু ওইবা ওপোজিসন য়াওনা পার্টি খুদিংমক্না য়াগদবা কন্সটিট্যুসন এমেন্দমেন্টকী অনৌবা প্রপোজল অমা মহাক্না শেম-শারে হায়না নেপালগী প্রাইম মিনিষ্টর পুস্পা দাহলনা ফোঙদোকখ্রে।

থাংজ নুমিৎতা প্রোগ্রাম অমদা ৱা ঙাঙলদুনা দাহলনা হায়খি মদুদি, মহাক্কী প্রপোজল অসিনা পার্টি খুদিংমক মোত মান্নহল্লগনি। মাধেসতা বেজ ওইবা পার্টি তরেৎকী এলাইঅন্স অমা ওইরিবা মোর্চাসু মে ১৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোকেল থাক্কী ইলেক্সনদা শরুক য়াগনি হায়না কাঠমন্দু পোষ্টনা দাহলগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি।

লো, জষ্টিস অমসুং পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়র্স মিনিষ্টর অজয় শঙ্কর নায়াকনা ফোঙদোকখিবদা অনৌবা এমেন্দমেন্ট প্রপোজলদা আর্টিকল ২৯৫ (১) কেন্সেল তৌবা অমসুং আর্টিকল ২৭৪ দা ফেদরেল কম্মিসন অমা শেম্নবগী প্রোভিজন হাপচিনবগী ৱাফমশিং য়াওরি।

কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ২৯৫ (১) গী মতুং ইন্না, ষ্টেটশিংগী বাউন্দরিশিংগা মরী লৈনবা ৱাফমশিংগী মতাংদা সজেসনশিং পীহন্নবগীদমক্তা গভর্ণমেন্টনা ফেন্দরেল কম্মিসন অমা শেম্বা য়াই।

আর্টিকল ২৭৪ না কন্সটিট্যুসন শেমদোকপগা লোয়ননা ষ্টেটকী বোর্দরশিং ওন্থাং-ওনশিন তৌবগা মরী লৈনৈ। লো মিনিষ্টরগী মতুং ইন্না, প্রাইম মিনিষ্টরগী প্রপোজলগী পান্দমদি আর্টিকল ৮৬ (২) এমেন্দ তৌবা অমসুং আর্টিকল ২১৫ গী অশোয়বশিং চুমথোকপনি। হান্না থৌরাং তৌখিবগী মতুং ইন্নদি নোংমাইজিং নুমিৎকী কেবিনেট মীটিংনা এমেন্দমেন্টশিংদু ফাইনেলাইজ তৌগদবনি হায়না নায়াকনা ফোঙদোকখি।

মাওইষ্ট সেন্টরগী স্পোক্সপার্সন পাম্পা ভুসলনা হায়খি, অচৌবা এমেন্দমেন্ট প্রপোজল অদুনা মাধেসি মোর্চাগী দিমান্দশিং য়েংশিন্দুনা মোর্চা অসিনা পুখৎলক্লিবা ইস্যু খুদিংমক খন্ননবা হোৎনরি।

'কেবিনেটনা প্রোভিন্স ২ অমসুং প্রোভিন্স ৫ গী দিষ্ট্রিক্ট ১১ গী লোকেল য়ুনিট মশিং হেনগৎনবগী মতাংদসু ৱারেপ অমা লৌরগনি' হায়না ভুসলনা ফোঙদোকখি।

পোলিটিকেলগী লৈখায় তাদবা ফীভমদু কোকহন্নবা হোৎনরদুনা দাহলনা হান্না ইরাই নুমিৎতা য়ু এম এলগী চ্যেরমেন কে পি শর্ম্মা ওলি অমসুং নেপালি কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট সের বাহাদুর দ্যুবাগা উনখি।

# অশাদনা পৱার পায়রিবমখৈ সিরিয়াদা পোলিটিকেল সোল্যুসন লৈরোই : য়ু এস এনভোই



ন্যু য়োর্ক, এপ্রিল ০৯ : প্রসিদেন্ট বাশর অল-অশাদনা লৈঙাক্কী পৱার পায়দুনা লৈরিবমখৈ সিরিয়াগী কনফ্লিক্টকী মতাংদা পোলিটিকেল সোল্যুসন অমা পুরকপা ঙম্লোই হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সতা লৈবা য়ু এসকী অম্বেসেদর নিক্কি হেলিনা ফোঙদোকখ্রে।

'অশাদনা রেজিমগী মকোক ওইনা লৈরিঙৈ মতমদা পোলিটিকেল সোল্যুসন অমা পুরকপা য়াবা ওপসন অমত্তা লৈতে' হায়না নোংমাইজিং নুমিৎতা শন্দোকখিবা সি এন এনগী ইন্টরভিয়ু অমদা মহাক্না হায়খি।

করিগুম্বা নখোয়না মহাক্কী এক্সনশিংদা য়েংলবদি, হৌজিক লৈরিবা ফীভমদুদা য়েংবা তারবদি অশাদ য়াওবদা পিছফুল ওইগদবা অমসুং মরা চেৎকদবা গভর্ণমেন্ট অমা লৈহনবা হায়বসি য়াম্না ৱানা থোক্কনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

হেলিনা ৱাফমশিং অসি সিরিয়াগী এয়র বেজ অমদা য়ু এসনা মিলিটরি ষ্ট্রাইক অমা চত্থখিবা মতুংদা য়ু এনদা পাঙথোকপা অখন্নবা সেসন অমগী মনুংদা ৱাশিংটন্না সিরিয়াগী মথক্তা মখা তাবা এক্সনশিং লৌখৎনবা শেম শারে হায়না মহাক্না চেকশিন-ৱারোল ফোঙদোকখিবা মতুং নোংমা লৈরগা ফোঙদোকখিবনি।

চয়োল অসিগী অঙনবদা মীচমশিংগী মায়োক্তা চত্থখিবা কেমিকেল খুৎলায় এটেক্কী পাউখুম ওইনা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা মিলিটরি ষ্ট্রাইক অদু ওর্দর তৌখিবনি। কেমিকেল খুৎলায়গী এটেক অদু অশাদ গভর্ণমেন্টনা ওর্দর তৌবদগী পাঙথোকখিবনি হায়না য়ু এসনা মরাল শীখি।

# য়ু এসনা নোর্থ কোরিয়াগী ঈশিং মনাক তম্না এয়রক্রাফট কেরিয়র অমসুং ষ্ট্রাইক ফোর্স থাখ্রে



ৱাশিংটন, এপ্রিল ০৯ : য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মসিগী পাঙ্গল উৎপা ওইনা এয়রক্রাফট কেরিয়র য়ু এস এস কার্ল ভিন্সন অমসুং মসিগী ষ্ট্রাইক ফোর্স নোর্থ কোরিয়াগী মনাক্তা লৈবা ঈশিংগী শরুকশিং তম্না থাখ্রে।

পেন্টাগোনগী ছোর্সশিংনা থাংজ নুমিৎতা সি এন এনদা হায়খি মদুদি, য়ু এস পেসিফিক কম্মান্দগী চীফ এদমিরেল হেরি বি হেরিস জুনিয়রনা বিমিটস-ক্লাস সুপরকেরিয়র অমসুং মসিগী সপোর্ট সিপ খুদিংমক কোরিয়ন পেনিন্সুলা তম্না চঙশিন্নবা ওর্দর তৌখ্রে।

পেসিফিক ওসিনগী য়ু এস থার্দফ্লীটনা কন্ট্রোল তৌবা য়ু এস এস কার্ল ভিন্সনা ওষ্ট্রেলিয়াদা খোঙচৎ অমা চৎনবা লেপ্পল্লম্বদু সসপেন্দ তৌখি অমসুং সিঙ্গাপোর থাদোক্লবা মতুংদা কোরিয়ন পেনিন্সুলা তম্না চঙশিনখি। মসি সাউথ কোরিয়াগা লোয়ননা পাঙথোকপা চহীগী ওইবা মিলিটরি এক্সরসাইজশিংদা শরুক য়ানবগীদমক্তা থা অমগী মমাঙদা পেনিন্সুলা অদুদা দিপ্লোইদ তৌখিবনি।

দিফেন্স ছোর্সশিংনা হায়খি মদুদি, এয়রক্রাফট কেরিয়র দিপ্লোই তৌরিবসি নোর্থ কোরিয়াগী অনৌবা মিলিটরি দিভলপমেন্টশিংগী পাউখুম ওইননি।

হন্দক্তা লৈবাক অসিনা মিদিয়ম-রেঞ্জ বলিষ্টিক মিসাইল চাংয়েং কয়া পাঙথোকখিবদা নত্তনা অনৌবা মিসাইল এঞ্জিনশিংসু টেষ্ট ফায়র তৌখি।

ক্রাইসিস থোকপা মতমদা পাঙ্গল উৎপগী থৌওং ওইনা এরিয়াশিংদুদা ন্যুক্লিয়র পৱার্দ এয়রক্রাফট কেরিয়র দিপ্লোই তৌবসি য়ু এসনা হেক হেক পাঙথোক্তুনা লাকপা অমনি হায়রি।

য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ফ্লোরিদাদা চাইনিজ প্রসিদেন্ট সি জিনপীংগা উনদুনা পিয়োংয়াংনা মিলিটরিগী লমদা খুমাঙ চাউশিনবগী থৌওংশিং লেপহনবগী তঙাই ফদবা লৈবগী মতাংদা খন্নখিবা মতুংদা ষ্ট্রাইক গ্রুপ অসিগী লম্বী হোংদোকখিবনি।

য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট রেক্স টিলরসন্না হায়খি, ট্রম্প অমসুং সিনা নোর্থ কোরিয়াগী খুৎলায় প্রোগ্রামগী মতাংদা অথুবা খোঙথাংশিং লৌখৎমিন্নবা অমসুং ইস্যু অদু পিছফুল ওইবা মওংদা লৈখায় তামিন্নবা হায়না য়ানখি।

চহী অসিগী অঙনবদা চাইনানা নোর্থ কোরিয়া অমসুং য়ু এস অনীমক্তা কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা উংখৎনবগী ফীভম হন্থহন্নবা আপিল তৌখি। মসিগীদমক্তা চাইনানা নোর্থ কোরিয়াদা মসিগী ন্যুক্লিয়র খুৎলায় প্রোগ্রাম লেপ্পবা অমসুং য়ু এসতনা পিয়োংয়াংবু খোয়রাং খোইশাওহনবা মওংদা সাউথ কোরিয়াগা মিলিটরি এক্সরসাইজশিং পাঙথোকপা লেপ্পবগী সজেসনশিং পীখি।

সিগা উনগদবা নুমিৎ খরনিখক্কী মমাঙদা ট্রম্পনা চেকশিন-ৱারোল ফোঙদোক্লদুনা হায়খি মদুদি, করিগুম্বা চাইনানা পিয়োংয়াংদা প্রেসর পীনিংদবা তারবদি য়ু এসনা মরন্নাই ওইনা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র খুৎলায় প্রোগ্রাম লেপহন্নবা হোৎনগনি।

টন ৯৭,০০০ গী ন্যুক্লিয়র-পৱার্দ ভিন্সন অসি য়ু এসকী এক্টিভ এয়রক্রাফট কেরিয়র ১০ গী মনুংদা অমনি। সান দৈগোদা বেজ ওইবা এয়রক্রাফট কেরিয়র অসিদা এয়রক্রাফট ৬০ হেন্না অমসুং পার্সনেল ৫০০০ রোম য়াওই।

# কেমিকেল এটেক চত্থখিবা টাউনদা ৱারপ্লেনশিংনা ষ্ট্রাইক তৌবদা মীওই ১৮ শিখ্রে

দমাস্কস, এপ্রিল ০৯ : চয়োল অসিগী অঙনবদা কেমিকেল এটেক চত্থদুনা মীওই দজন কয়াগী পুন্সি লোমহনখিবা সিরিয়াগী নোর্থৱেষ্টর্ন প্রোভিন্স ইদলিবতা থাংজ নুমিৎতা ৱারপ্লেনশিংনা ষ্ট্রাইক তৌখিবগা লোয়ননা অঙাং মঙা য়াওনা নুপী অমসুং অঙাংশিং য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ১৮ শিখ্রে।

ষ্ট্রাইক অদু কনানা পাঙথোকখিবনো হায়বা খুদক্কী ওইনা শেংনা খঙখিদে।

হৌখিবা চয়োলগী কেমিকেল এটেক অদুগী রেস্পোন্স ওইনা য়ু এসনা ইরাই নুমিৎকী অঙনবদা সিরিয়ন এয়র বেজ অমদা টোমহোক মিসাইল ৬০ রোম কাপশিনখি।

এয়র ষ্ট্রাইকশিং অদু চয়োল অসিদা কেমিকেল এটেক চত্থদুনা মীওই ৮৭ হাৎখিবা ওপোজিসন্না কন্ট্রোল তৌবা নোদর্ন টাউন খান সৈখুনদা চত্থখি হায়না বৃটেনদা বেজ ওইবা সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটস অমসুং লোকেল কোওর্দিনেসন কম্মিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ওবজার্ভেটরি অমসুং এক্টিভিষ্ট গ্রুপ অরিহা টুদেগী মতুং ইন্না, নোদর্ন ইদলিব প্রোভিন্সকী রেবেলশিংনা পায়শিল্লিবা টাউন অমদা চত্থখিবা এয়রষ্ট্রাইকতুদা নুপী অমসুং অঙাংশিং য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ১৮ শিখ্রে।

মীওই মাপন শিহনখিবা মিসাইল ষ্ট্রাইকশিং অদু কুমজা ২০১১ দা সিরিয়ন ৱার হৌখিবদগী ৱাশিংটননা সিরিয়ন গভর্ণমেন্টকী ফোর্সশিংবু অতম্না টার্গেট তৌবা অহানবা ওইখি। কুমজা ২০১১ গী মার্চতা প্রসিদেন্ট বাশর অল-অশাদ অমসুং মহাক্কী গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা পাঙথোকখিবা দেমোন্সট্রেসনশিংগা লোয়ননা হৌখিবা সিরিয়াগী কনফ্লিক্ট অদুদা মীওই ৩২০,০০০ হেন্না শিখ্রে।




## EMPLOYMENT NEWS

### CRWC Recruitment – Central Railside Warehouse Company Limited – 14 Executive Vacancy – Last Date 01 May 2017

**CRWC Recruitment 2017**
Central Railside Warehouse Company Limited (CRWC) invites application for the post of 14 Executive. Apply Online before 01 May 2017. Qualification/ eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**CRWC Job Details :**
Post Name : Executive
No. of Vacancy : 14 Posts
Pay Scale : Rs.12600-32500/-

**Eligibility Criteria for CRWC Recruitment :**
Educational Qualification : B.E / B.Tech with specialization in (CSE/IT) / MCA/ MSc (IT) from a UGC/ AICTE recognized University / Institution with minimum 60% marks or MBA with specialization in Marketing/ Post Graduate Diploma in Marketing/ Logistics/ Operations/Supply-Chain Management or Pass in CA/ ICWA Examination or Diploma in Electrical Engineering from a Govt. Recognized institute with 60% Marks.

Nationality : Indian
Age Limit : Maximum age limit is 35 years As per 01.01.2017
Age Relaxation : For SC/ST 05 years, For OBC 03 years & for PWD 10 years

**Job Location : New Delhi**

**Selection Process:** Candidates are selected based on their performance in written test & interview.

**Application Fee :** Candidates belonging to General & OBC categories are required to pay application fees of Rs.500/- by bank challan. SC, ST and PWD/PH are exempted from payment of above fees.

**How to Apply CRWC Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website www.crwc.in from from 08.04.2017 to 01.05.2017. thereafter website link will be disabled.

**Important Dates to Remember:**
Starting Date For Submission Of Online Application : 08.04.2017
Last Date For Submission of Online Application : 01.05.2017

**Important Links:**
Details Advertisement Link : https://www.crwc.in/CRWC/pdfs/Advertisement_CRWC.pdf

**Apply Online :** https://www.crwc.in/CRWC/careers

### SPMCIL Recruitment – Security Printing and Minting Corporation of India Limited – 141 Junior Technician Vacancies – Last Date 01 May 2017

**SPMCIL Recruitment 2017**
India Government Mint, Hyderabad invites application for the post of 141 Junior Technician at W-1 level. Apply Online before 01 May 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt. No. : 01/17

**Job Details :**
Post Name : Junior Office Assistant
No of Vacancy : 141 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs.1800/-

**Trade wise Vacancies :**
Fitter : 99 Posts
Tool & Die Maker Trade : 02 Posts
Forger & Heat Treatment : 02 Posts
Lab Asstt. /Inst. Mech. Chemical : 06 Posts
Driver Cum Mechanic : 04 Posts
Electrical /Electronics : 05 Posts
Mill Wright/ Mill Wright Mech : 09 Posts
Machinist : 03 Posts
Turner : 04 Posts
Welder : 01 Post
Plumber : 04 Posts
Mason (Building) : 02 Posts

**Eligibility Criteria for SPMCIL Recruitment :**
Educational Qualification : 10th pass with Full time ITI Certificate in respective Trade from a recognized Board/ Institute or Equivalent.
Nationality : Indian
Age Limit : Minimum and Maximum age limit is 18 to 25 years as on 01.04.2017
Age Relaxation : For OBC Candidates 03 years, For SC/ST Candidates 05 years & For PH Candidates 10 years

**Job Location : All India**

**Selection Process :** The process of selection shall be Online written examination.

**Application Fee :** Candidates have to pay for Rs. 400/- through Debit Cards (RuPay/Visa/ MasterCard/ Maestro), Credit Cards, Internet Banking, IMPS, Cash Cards/ Mobile Wallets. Candidates belonging to SC/ ST/PWD/Ex-Servicemen are exempted from payment of application fees.

**How to Apply SPMCIL Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website http://igmhyderabad.spmcil.com from 10.04.2017 to 01.05.2017 thereafter website link will be disabled.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date For Submission of Online Application : 10.04.2017
Last Date For Submission of Online Application : 01.05.2017
Date of Payment of fees in online mode : 10.04.2017 to 01.05.2017
Date of Online Examination : May/June 2017

**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://igmhyderabad.spmcil.com/UploadDocument/JT_1-17_FINAL-04042017.9fb81387-9778-4e1d-ac1a-d3949788641e.pdf
**Apply Online :** http://ibps.sifyitest.com/igmhjrtfeb17/